2020/TDC(CBCS)/ODD/SEM/
MANHCC–302T/071

**TDC (CBCS) Odd Semester Exam., 2020**
**held in March, 2021**

# MANIPURI

**( 3rd Semester )**

Course No. : MANHCC–302T

**( Old and Medieval Manipuri Literature )**

*Full Marks* : 70
*Pass Marks* : 28

*Time* : 3 hours

*The figures in the margin indicate full marks for the questions*

## SECTION—A

১। তেন্না তরাখক্কী পাউখুম পীয়ু : ২×১০=২০

(ক) মণিপুরী সাহিত্যগী মতম অসি কয়া-থোক্পা খায়দোকই অমদি করি করিনো?

(খ) অঙনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগী লাইরিক অনিদংগী মমিং ইয়ু।

(গ) ময়ায় চনবা মতমদা লৈরম্বা লাইরিক ইবা মীওই অনিগী মমিং ইয়ু।

(ঘ) ময়ায় চনবা মতমগী ইতিহাসকী থৌদোক ৱাথোক্কা মরী লৈনবা লাইরিক অনিখক্কী মমিং ইয়ু ।

(ঙ) ঔগ্রী হায়রিবা লায়রোন ঈশৈ অসি কনানা কনাদা ইহান হান্না তন্নীখিবগে ?

(চ) লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী হিয়াং হিরেন শাননবা য়ানগদৌরিবা উজাও অদুগী মমা অমসুং মপাগী মমিং করি কৌই ?

(ছ) খেঞ্জো শকপগী মওং অসি মণিপুরগী বৈষ্ণব সমাজনা করম্বা থৌদোক্কা মরীলৈননা করম্বা মওংদা শক্লরগে ?

(জ) লৈরোই নোংলোই ঈশৈ হায়রগা করিবু খণ্ডনবগে ?

(ঝ) 'খোংচোমনুপী নোংকারোল' হায়রিবা অরিবা লাইরিক অসিদা য়াওরিবা মৈতৈগী চৎনবী অনিদং ইয়ু ।

(ঞ) হাওকু পাখং অনিগী মমিং ইরকউ ।

(ট) হাওকু পাখং তরুকমক্কা লুৱাং চনু তরুকমক্লা নুমিৎ কয়ানি শুবদা করম্বা মফমদা উন্নসি হায়দুনা শরি ৱাশক্লখিবগে ?

(ঠ) লুৱাং চনু অনিগী মমিং ইরকউ ।

(ড) বীরবাহুগী পলেম পম্বৌ অনিগী মমিং ইয়ু ।

(ঢ) করম্বা লৈবাক্তা অর্জুননা করি মমিং হোংদুনা লৈখিবগে ?

(ণ) 'বীরবাহু তুবা' হায়বা লাইরিক অসি কনা কনানা মৈতৈলোন্দা হন্দোকখি ।

(ত) 'বিরাট শাহুপরোন' হায়বা ৱারী লাইরিক অসি করম্না পর্বগী ৱারীনো? কনানা মৈতৈলোন্দা হন্দোকখি?

(থ) চেংলৈ হায়না খঙনবা শলাই অনিখক্কী মমিং ইয়ু।

(দ) থাংয়ি খোংজোম্বগী অকোনবা তালোয়গী মমিং করি কৌই? কনাগী মচানো?

(ধ) মৈদিংঙু তাওথিংমাং অমসুং মশাবী লাইরেন ঙাঙোই য়োইমোংবা মচীন মনাও অনিনা তেংখিবা তুরেলশিং অদুগী মমিং করি করি কৌই?

(ন) খোইমোম লাইরেমমা লৈমরেন শিদবগী মফমদা য়োইমোংবা অমসুং তাওথিংমাং মচিন মনাওনা কাকয়েনবু হাৎননবা করি করি পোৎ নিজখি?

## SECTION—B

মঙাখক খললগা খুমমু

অঙনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগী মনুংদা য়াওরিবা ৱারেংগী মশক অদু মরীলৈনবা লাইরিকশিং লৌখৎতুনা শন্নপনা ইয়ু। ১০

ময়ায় চনবা মতমগী মণিপুরী শৈরেংগী লোন অমসুং খুৎইগী মরমদা মচা তানা ইরকউ। ১০

য়াকৈবা হায়রগা করিবু খঙনবগে? মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা লমশিংদা করি করি উচেক্লা য়াকাইবগে হায়বদু মরীক চুম্না ইয়ু।

২+৮=১০



(Turn Over)

৫। 'হিজন হিরাও' হায়বা শৈরেং অসিদা য়াওরিবা করুণ রসকী মশক অদু শুগায়না ইরকউ। ১০

৬। 'খোংজোমনুপী নোংকারোল' হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? লাইরিক অসি করম্বা মতমদা ইবনো? মসিদা শীজিন্নরিবা লোন অমদি খুৎইগী মরমদা ৱারী পরিংগা মরী লৈননা ইয়ু। ১+১+৮=১০

৭। খোংজোমনুবী হায়বসি করিনো? নুরা চনুশিংনা খোংজোমনুবী ওনখিবগী ৱারী অশৈবনা করি পাউজেল পীনিংবগে নৈনৌ। ২+৮=১০

৮। বিরাট শাম্বুপরোন করম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তা কনানা ইখিবগে? পঞ্চপাণ্ডব মণ্ডানা বিরাট লৈবাক্তা মমিং হোংনা শাম্বুপখিবগী মরম অদু মরিক চুম্না ইয়ু। ২+৮=১০

৯। বীরবাহুনা রাম-লক্ষ্মণগী মায়োকতা লানথেংনখিবগী মতাংদু শমলপ্না ইরকউ। ১০

১০। মৈদিংঙু তাওথিংমাং অমসুং মশাবী লাংলেন ঙাংঙোই য়োইমোংবা মচিন মনাও অনিনা তুরেল তেংখিবগী ৱারী অদু নশাগী লোনদা ইরকউ। ১০

১১। সাহিত্য অমসুং ইতিহাস অনিবু চেংলৈরোনগী অশৈবনা কয়া য়াম্না নিংথিজনা পূন্না ঙমখিবগে? শন্দোক্লা নৈনৌ। ১০

***